# MANIPUR GAZETTE

**EXTRAORDINARY**
**PUBLISHED BY AUTHORITY**

**No. 123 Imphal, Wednesday, June 22, 2022 (Asadha 1, 1944)**

## OFFICE OF THE
## PLANNING & DEVELOPMENT AUTHORITY
## MANIPUR

Notification/ খঙহঞ্জবা

Imphal, the 20th June, 2022

No. 01/2021/SE-PDA/115:

Under section 29(1)&29(3) of Manipur Town and Country Planning Act, 1975 গী মতুংইন্না Revenue Village No. 91(A) - Lamphel, 91-Meitei Langol, 88-Lalambung and 91-Iroishemba চাওরাক্লা অপুনবা পাক চাওবা 2400.12 acres গী লমশিং অসি Capitol Complex শেমগৎনবা scheme area ওইনা লাওথোকখি - vide office অসিগী notification no. 19/1/88-PDA dated 30th May, 1990.

Village No. 91-Meitei Langol গী মনুংদা চাওরাক্লা 70 acres গী লম তোঙান–তোঙানবা লম মপুশিংদগী Planning & Development Authority, Manipur না লৈখি। মসিগী মনুংদা লম 10 acres দি Land acquisition তৌরগা লৌশিনখি। লমশিং অসি V-National Games কীদমক Sports Persons অমসুং Sports officials শিং লৈনবা National Games Village Complex অমা শেমগৎখি।

National Games Village অসিগী Layout Plan দা "A" হায়না থারিবা মফম অসি অহাংবা মফম/ park ওইনা থম্লগা National Games Village Complex কী মনুংদা Catering Area ওইনা V- National Games মনুংদা শিজিন্নখি। হায়রিবা "A" হায়না থারিবা মফম অসি তাং ২৩–০৬–২০২১ দা ফমখিবা State Cabinet মীফম্না modified তৌরগা Temporary /Alternate Government Quarters শান্নবা অয়াবা পীখি – vide Government letter no. MiscM-1301/1/2021-MAHUD Part (2) dated 26-06-2021.

মরম অসিনা Manipur Town and Country Planning Act, 1975 কী section 34(1) গী মতুংইন্না মরি লৈনবা পুন্নমক্তা খঙহঞ্জরি মদুদি "A" হায়না থারিবা মফমসি Temporary /Alternate Government Quarters শাবদা শিজিন্নরগনি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা মসিগী মতাংদা মীয়ামগী মোৎ পীবিনিংবা লৈরবদি তাং ৩০–০৬–২০২২ ফাওবগী মনুংদা Office Hour দা মখাদা সহি তৌরিবা অসিদা অইবা চেরোল পিশিল্লক্রুবা খঙহঞ্জরি।

"A" হায়রিবা মফম অসিগী মনুংদা Open Space / অহাংবা মফম ওইনা চাওরাক্লা 16,000 sq.ft. কী মফম অমা থমলি। চপ মান্নবা Notification অমা Local newspaper গী English Edition দা হান্না ফোংশ্রবনি। হন্দক ফোংলিবা অসিনা Hon'ble High Court of Manipur না PIL No. 74 of 2021 গী মতাংদা তাখিবা Hon'ble Court কী Order dated 26-05-2022 গী মতুংইন্ননি।

Layout Plan গী অকুপ্পা মরোল খঙবিনিংলবদি Planning & Development Authority, Manipur গী Notice Board তা য়েংবিরবা য়াগনি।

খঙহঞ্জরিবা,

K. GYANESHWOR SINGH,
Secretary,
Planning & Development Authority, Manipur.

Printed at the Directorate of Printing & Stationery, Government of Manipur/270-C/22-06-2022.